ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 334 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, ইঙাগী ১৩ নি পানবা, ইরাই, মে ২৯,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–

## আউটরিচ প্রোগ্রাম

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং রিজনেল সেন্টর, ইম্ফালনা শীন্দুনা স্পেসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম ওন ভিক্সিট ভারত ২০৪৭ নোংইন সেমিনার হোল, পি কে কলেজ হিয়াংথাংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সি প্রোঃ গঙ্গা প্রসাদ পার্সান, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সাউথ ইষ্টর্ন এসিয়ান ষ্টদিজকী ঐচ ও দি ডাঃ চীংলেন মাইস্নাম, সি বি সি আর ইম্ফালগী এফ ই ও ঐচ দিপকুমার অমদি পি কে কলেজ হিয়াংথাংগী প্রিন্সিপাল ডাঃ ৱাহেংবম নিমাইনা অথৌবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ক্রোর ১৮গী য়াবা ফারে

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর অমদি মিজোরামগা ফাওনবা মফম অমদা পুলিসনা গাড়ী অমা খাল্লগা চেক তৌবদা লূপা ক্রোর ১৮ রোমগী ওইগদবা য়াবা টেব্লেট লিশিং ৬০ ফারে হায়রি। রিপোর্ট অমনা হায়, মিজোরামদগী মণিপুর তম্না থৌরকপা মহিন্দ্র বোলেরো অমা খাল্লগা চেক তৌবদা য়াবা টেব্লেটশিং অদু য়াওরম্বা থেংনখিবনি। মশিং য়াল্লবা য়াবা টেব্লেটকা কোন্ননা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ঙমলেন (৪৪) কৌবা মীওই ১ ফারে। পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা ময়াই কাবা দ্রগশিং অদু কদায়দগী কমদৌনা পুশিল্লকপনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

## সোলিদরিতি প্রোটেষ্ট

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** নাগালেন্দগী পেরেন দিষ্ট্রিক্টতা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা নাগা ৬ থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা সোলিদরিতি প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। জেলিয়াংরোং বাউদি নাগালেন্দনা শীন্দুনা পেরেন দিষ্ট্রিক্টকী জালুকিদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওই লিশিং ১০ রোমনা হৌজিক হৌজিক কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা নাগা মীচম ৬ খূদক্তা অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না তকশিনখি।

## নোংজুগী চাং হোংলোই

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা নোংজুগী চাংদা অহোংবা খরা লৈরবসু মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি মহৌশাগী মতৌগুম নোংজুগী চাংদা থোইদোক্লা অহোংবা লৈরোই হায়না ইন্দিয়ান মেটিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

## হয়েংগী নোংদম

৩০। ০৫। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – অপীকপা শেন্দোং খরা ফংগদবা লৈরগসু শেল থাদবদা খূদোংনিংঙাই ওইগনি।

বৃষ – লল্লোন ইতিক, ওফিসকী থবক থৌরম অপনবা লৈরোই। ইমুং মনুংগী মরীদা শেল চৎকনি।

মিথুন– ঈ–পাউ নিংথিনা ফাওনবা ঙল্লগদি হিরম কয়াদা কান্নগনি। শেল থুম লাকপগী লমন্বী লৈ।

কর্কট–থবক্কী পোৎলূম হান্নদগী হেঙ্গৎকনি। ৱাখল থাদরগা থবক তৌরগদি মায় পাক্কনি।

সিংহ– মীয়ামগী থবক থৌরম তৌবা য়াবা নুমিৎনি। লুচিংবা ওইবগী খূদোংচাবসু ফংগনি।

কন্যা–থবক কন্না শু নোম্লবদি কান্নজবা ফংগনি। ঙক, লেংজুমদা অনাবা লৈরকপা য়াই।

তুলা– পূন্না থবক তৌমিন্নবা মায় পাক্কনি। মরু ওইবা থবকশিং পাঙথোকপা থেংথবা তৌগনু।

বৃশ্চিক– থবক মফমদা কোক শাবা, মীৱা তাবা লৈগনি। তৌগদবা থবক অদু খক্তদা মীৎয়েং চঙঙু।

ধনু– থবক্কী মতাংদা লমতু চৎপা অমসুং মহৈ মশিল তমশিনবদা খূদোংচাগনি।

মকর– থবক তৌবদা পাঙ্গল থোক্তবা, মহয় চাবা ফংদবা মতমনি। পোৎচৈ য়াম্না লৈশিনবা ফত্তে।

কুম্ভ– খঙহৌদনা শেলগী চাদিং হেঙ্গৎলকপা য়াই। থবক তৌবদা খন্থহৌদ্রগদি মৈশা লাংগনি।

মীন – পূক্নিং ফথবা অমসুং অশাওবা থাদোক্লগদি থবক্তা মায় পাক্কনি। শেল থুমগী খোঙচৎ কায়রোই।

লিতান মনাক্তা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরম্বা নুপী ৫ শোক্লে

# কুকিনা এম্বুস তৌরকপদা এফ সি আইগী চেঙ পুবা ট্রক দ্রাইভর শিরে, পুলিস কন্সটেবল অমসু শোক্লে

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** নেস্নেল হায়ৱে–২০২ ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বীগী শংকাই কুকি ভিল্লেজতা লম্বী থিংজিন্দুনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরম্বা কুকিশিং তানখায়ননবা মণিপুর পুলিস অমসুং রেপিদ এক্সন ফোর্সনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা খোঙজংদা য়াওবা নুপী ৫ শোক্লে। মীয়াম চঙদুনা নুঙনা থাজিনবদা ট্রক গাড়ীশিংগী ৱিনশিল্ড কায়খ্রে।



থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়ামদা ফংহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না শিন্দুনা এফ সি আইগী চেঙশিং থিল্লুনবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা থৌদাদা পীখি। কাঙবু অসিনা চেঙ–চাক পুবা ট্রক মরী মঙা রোমগা লোয়ননা উখ্রুলগীদমক লাকপদা নুপী অমসুং নুপা খরনা শংকাইদা লম্বী থিংলগা লৈরমখি। লম্বী অদু উ–ৱা ফৈজিন্দুনা থম্বতা নত্তনা মখোয় ময়াম শঙদুনা লৈরমখি। পুলিসনা মখোয়বু চৎখিনবা হায়বদা তাখিদে। মদুনা মরম ওইরগা রেপিদ এক্সন ফোর্স অমসুং পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পুনা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়ামনসু সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী গাড়ীশিংদু লেপ্পা লৈতনা নুংঙা থারকখি অমসুং ট্রক গাড়ীশিংদু অদুদসু নুংঙা লান্দারকখি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা অদুবাইদা মফম অদু লাম্হোক্তুনা লাক্লবা মতুং টি এম কসাম যৌরমদাইদা কুকি টেরোরিষ্টশিংগ ওইগনি চীংনবা খরনা চীংথক্তুগী নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ট্রকশিং অদুদা এম্বুস তৌরকখি। থুনা য়াংনা পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা খুৎ হনখি। অদুবু টেরোরিষ্টশিং অদু ফনা কুইনা নোংমৈ কাপ্পুনা লৈখি। কুকিশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্লকপদা ট্রক অমগী দ্রাইভর পান্দুনা খূদক্তা শিখি। অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কন্সটেবল অমনা মখোঙদা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোককখি।

লৈখিদ্রবা সিভিল দ্রাইভর অদুগী মমিং নিটিশ কুমার (৩২) কৌই। মহাক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হুগলি দিষ্ট্রিক্টতগীনি। অপোকপগী মমিনা বিদাশ কুমার কৌই। মহাক এফ সি আইগী চেঙশিং পুদুনা ট্রক (দব্লিউ বি ১৫ সি। ২৪০৩)গী দ্রাইভরনি। অদুগা হৌজিক হৌজিক জেনিমস হস্পিতালদা লায়েংলিবা মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল অদুগী মমিনা দিসিংঙম মরিংমৈ কৌই। মহাক্কী কন্সটেবল নম্বর ১৯০৫৫৮৩ নি। উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনদা এটেচ তৌরগা লৈবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা তুংদা অহেনবা পুলিস কাঙবু অমা চঙশিনখ্রে। সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা লোয়ননা মনাক নকপদা লৈবা মফমশিংদা থি–হুম্বগী থবক চথখরি হায়রি।

### দ্রাইভর হাৎলকপদা সি এমনা কন্দেম তৌখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** এন এইচ ২০২দা লৈঙাংচীং অমদি টি এস কসোমগী লোন্নবা মফম অমদা খূৎলায় পায়বশিংনা পোৎচৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবা গাড়ীশিংদা এম্বুস তৌরকখিবা থৌওং অদুবু চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা খ্বাইদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। থৌদোক অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ট্রক দ্রাইভর অমা নোক্নৈবা পান্দুনা শিখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অৱাবা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিগী কাচিন কোয়াশিনবা থুংনা তঙাইফদনা চঙবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী থবক তৌরিবা গাড়ীদা এটেক চথরক্তুনা দ্রাইভর হাৎপগী থৌওং অসি খ্বাইদগী পাঙদবা থৌওংনি। ষ্টেট লৈঙাক্ক ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু অপনবা পীনবগী পান্দমদা অতম্না এম্বুস তৌরকখিবনি হায়না মহাক্না হায়রি।

থবক ময়াম লৌননবা কেবিনেটনা ৱারেপ্পখ্রে

# হোর্টিকলচরগী পোষ্ট ২৮২, হেল্থকী নর্স ১৭৩ লৌবা য়াখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চেয়র তৌদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা অনৌবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা কেবিনেটকী মীফম পাংথোক্লুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক ময়াম অমা লৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কেবিনেটকী মীফম অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী গ্রুপ বি, গ্রুপ সি অমসুং গ্রুপ দিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ২৮২ কন্ত্রেক্ট ওইনা লৌননবগী অয়াবা পীখ্রে।

মসিদসু নত্তনা ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী ওইনা ওর্কজিলরি নর্স মিদৱাইফ (এ এন এম)গী হাংদুনা লৈরিবা পোষ্ট ১৭৩ লৌননবা ঙসিগী কেবিনেট মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে। ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী পাকথোকপদা শোকহল্লবা তাইরেনপোকপীদগী তমেংলোং ফাওবগী খুঙ্গং ৯না কোনবা ইমুং অমমমদা লূপা লিশিং ৭০ রান টাইম স্পেসিয়েল হ্যুমেনিটেরিয়ান এসিষ্টেন্স ওইনা পীবগী ৱাফমসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

নোনে দিষ্ট্রিক্তা ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ পাকথোক চাওখোৎহন্নবগী মতাংদা ৩শুবা পেকেজকী ওইনা কিমি ২.৪না কোনবা মফমদা হেক্টর ৩.৯৭২ পাক চাউবা লম লৈনবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখি। খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনগী এপ্রোচ রোদ কম গুদস সর্কুলেসন এরিয়া শেমগৎপনবগীদমক লম লৌনবা দাইরেক্ট পর্চেস কম্মিটি দি পি সি শেম্লবগী মতাংদসু কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি। এস এ এস সি আইগী মখাদা লোক্তাক লকজরি রিজোর্ট শেমগৎপগা লোয়ননা টুরিজমগী প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখি। বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওইনা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস শানবগীদমক দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসতা লম পীবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা আইয়ুসকী দিস্পেন্সরি অমা শানবা দাইরেক্টর অয়ূসতা লম পীনবা হায়নসু কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি।

মপাল্লমগী পাউ

## ফ্লোরিদাদা রোকেট অমা লোপ্ঞ পেদতা চাংয়েং তৌরিঙৈদা পোকখায়রকখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** ফ্লোরিদাদা লৈবা কেপনাভেরেল স্পেস ফোর্স ষ্টেসনদা ব্লু ওরিজিনগী অনৌবা গ্লেইন রোকেট অমা চাংয়েং তৌরিঙৈদা পোকখায়রকখ্রে। সি বি এস ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, রোকেট ইঞ্জিনগী চাংয়েং তৌরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা রোকেট অদু ঙরাং নুমিদাং পোকখায়রকখিবনি। থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক অপনদি নংখিদে। সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ব্লু ওরিজিননা হায়, জুন ৪দা সেটলাইট ৪৮ পুরগা মরীশুবা মিসনগী ওইনা থাগৎনবা থৌরাং তৌখিবা রোকেট অমা চাংয়েং তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা পোকখায়রকপনি। ব্লু ওরিজিনগী ব্লু মুন লুনর লেন্দর প্রোগ্রাম অমদি নাসাগী আর্টেমিস লুনর এক্সপ্লোরেসন মিসন চখনবা হোৎনরিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। আর্টেমিস–থ্রি মিসনগী মতেং পাংনবা ব্লু মুনগী অনৌবা গ্লেইন রোকেট অমা মথং চহীদা থাগৎনবা থৌরাং তৌরিবনি। রোকেট অদু চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা থাগৎনবা থৌরাং তৌরম্বদগী ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসননা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মতম খরা য়ৈথোক্লবা খন্নরকখিবনি

## মহারাস্ত্রদা হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী ১৩ শিরে

**মুম্বাই, মে ২৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মহারাষ্ট্রগী পুনে অমসুং পিমপ্রি–চিনৱাদতা হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ১৩ শিরে। পিমপ্রি–চিনৱাদ সিতিগী পুলিস কম্মিস্নর বিনয় চোভেনা হায়, পোৎয়ান তৌরবা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবগী থবক্তা চেন্নবা মীওই ৫ পুলিস কষ্টদিদা লৈরে। অতোপ্পা মীওই ৩ না ষ্টেট এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী কষ্টদিদা লৈরি। থৌদোক অসি মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়বা যোগেশ ৱাংখেদ কৌবা মীওই অমগী মথক্তা ডাকোদি পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর অমা ফাইল তৌদুনা থিজিন–হুমজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেভেন্দ্র ফদনাবিসনা হূ চেনবা অমসুং পোৎয়ান য়াওবা লল্লোনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা পুনে অমদি পিমপ্রি–চিনৱাদকী পুলিস কম্মিস্নরশিংদা য়াথং পীখ্রে। ক্রাইম ব্রাঞ্চনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কূপ্না থিগৎপগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওই পূন্নমক ফানবা হোৎনরি। ষ্টেট এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অতুল কানাদেনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মীওই খরনা য়ুদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মেথানোল কৌবা কেমিকেল অমা য়ানশিনবগী থৌওং চথরে হায়রি।

## জুলাই ৫দা দ্রাফ্‌ট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙলগনি



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চহী অসিগী জুলাই ৫দা দ্রাফ্‌ট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙলগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহ, আই এ এসনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, চহী অসিগী জুলাই ১দা ক্বালিফাইয়িং দেট ওইরগা মণিপুরদা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন পাঙথোক্লুবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা খঙহল্লক্লে। ভোট থাদবগী চহী মতাং শুরবা মীওইশিং ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওহনবগা লোয়ননা ইলিজিবল ওইদবা মীওইশিং লৌথোক্লুবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। মে ২০দগী হিরম অসিগা মরী লৈননা শেম শাবগা লোয়ননা ত্রেনিং অমদি প্রিন্টিংনচিংবগী থবক থৌরমশিং লোইশিল্লে। মে ৩০দগী বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা জুন ২৮ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ূমথোং খূদিং চঙদুনা য়ূমকোক থীবগী থবক চথবা হৌরগনি।

জুলাই ৫দা দ্রাফ্‌ট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙলগা জুলাই ৫দগী ওগষ্ট ৪ ফাওবদা ক্লেইম অমসুং ওবজেক্সন তৌবগী মতম পীরি। সেপ্টেম্বর ২ ফাওবদা ক্লেইম অমসুং ওবজেক্সনগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লগা সেপ্টেম্বর ৬তা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ফোঙলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## মে ৩০ দগী মণিপুরদা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন পাঙথোক্লগনি





**ইম্ফাল, মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** মে ৩০দগী জুন ২৮ ফাওবা মণিপুরদা ইলেক্তোরেল রোলসকী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার অরুন কুমার সিনহনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা সি ই ওগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী য়াথং মতুং ইন্না চহী অসিগী জুলাই ১দা ক্বালিফায়িং দেট ওইহল্লগা ভোট থাদবগী চহী মতাং শুরবা মীওই খূদিংমক ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী য়াথং মতুং ইন্না এস আই আরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা শেম–শাবা লোইরে। ষ্টেট, দিষ্ট্রিক্ট অমদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী থাক্তা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মীহুৎশিংগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নরে।

অরুনকুমার সিনহানা মখা তানা হায়, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ১৬, ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার ৬০, এসিষ্টেন্ট ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার ৮১ অমসুং বুথ লেবেল ওফিসার ২,৯৫৬ হিরম অসিগা মরী লৈননা ত্রেনিং তৌবা লোইরে। শকখঙলবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খনবা বুথ লেবেল এজেন্টশিংগী ওরিয়েন্টেসন ৱার্কশোপসু মরী লৈনবা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে হায়খি।

## ‘১৭শুবা এম এস এফ এ–২০২৫দা লাঙ্গৈই’না বেষ্ট ফিচর ফিল্ম এৱার্দ ফংলে

**ইম্ফাল মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর ষ্টেট দিভলপমেন্ট দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা ১৭শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ ২০২৫ য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা অসেম নৱাং অমদি অমর্জিৎ সনসমনা পুথোকপা, অদুগা মনোরঞ্জন লোংজমনা দিরেক্সন পীবা ‘লাঙ্গৈই’দা বেষ্ট ফিচর ফিল্মগী এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে।

অতৈ এৱার্দ ফংখ্রবশিংদি মোইরাংথেম রোমেশ সিংহনা পুথোকপা অমসুং ইরেল লুৱাংনা দিরেক্সন পীবা ‘উনা উনা’ দা বেষ্ট পোপুলর ফিল্ম, দিনেশ নাওরেমনা দিরেক্সন পীবা ‘ওইথরৈ’দা বেষ্ট দেব্যু ফিল্ম, মনোরঞ্জন লোংজমদা বেষ্ট দাইরেক্টর, লম্বাময়ুম প্রেমচান্দদা বেষ্ট স্ক্রিনপ্লে রাইটর (ওরিজিনেল), প্রিয়োব্রত্তা ক্ষেত্রিময়ূমদা বেষ্ট স্ক্রিন প্লে রাইটর (এদাপটেদ), সুরজ ঙাসেপ্পমদা বেষ্ট এক্টর ইন এ লিদিং রোল (মেল), নর্মাদা শৌগাইজমদা বেষ্ট এক্টর ইন এ লিদিং রোল (ফিমেল), জি বোনি শর্ম্মদা বেষ্ট এক্টর ইন সপ্পোর্টিং রোল (মেল), ময়া চৌধরিদা বেষ্ট এক্টর ইন সপ্পোর্টিং রোল (ফিমেল), অঙ্কা থোঙামদা বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্ট অমসুং রেগান কে ঐচতা বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফরগী এৱার্দ খূৎশিন্নখি।

## অহানবা মণিপুর রাইফলসতা চীফ মিনিষ্টরনা পুলিস ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল মে ২৯ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অহানবা বাট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসতা ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা মণিপুর পুলিস ম্যুজিয়ম শঙ্গাখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা অহানবা মণিপুর রাইফলসতা থুংলবদা মণিপুরগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস রজিব সিংহ অমদি অতৈ মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিংনা তরাম্না ওকখি।

ম্যুজিয়মদা উৎলিবা মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতমদা শীজিন্নখিবা খূৎলায়, অরিবা মতমগী ফোটোগ্রাফ অমদি কুমজা ১৯৯০গী লোইশিল্লমদাইদা মণিপুর পুলিসনা শীজিন্নখিবা হাই ফ্রিক্বেন্সি রেদিও ত্রান্সিবরশিংগী মরমদা দি জি পি অমসুং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসার খোইস্নাম শর্মা দেবীনা চীফ মিনিষ্টরদা শুগায়না পাউদমখি। মতুং তারকপদা চীফ মিনিষ্টরনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা চৎতুনা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা ক্রেস সেন্টর অমা শঙ্গাখি। কনফরেন্স রুম ব্লোক–এদা চীফ মিনিষ্টরনা দি জি পি য়াওনা সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। পুলিস হেদ ক্বার্টরসকী ৫শুবা ফ্লোরদা লৈরিবা জিম, ওদিটোরিয়ম হোল, কনফরেন্স রুম ব্লোক–বিনচিংবসু য়েংশিনখি।

## নেমচা কিপগেন লৌথোক্লুবা, ‘সূ’ এব্রোগেট তৌনবা অন্সমনা তকশিল্লক্লি

**ইম্ফাল, মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** কে এন এফ (পি)গী চেয়রমেনগী লোইন্নবী পি নেমচা কিপগেন দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরগী ফম লৌথোকপগা লোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎয়েক পীনরিবা ‘সূ’ এব্রোগেট তৌগদবনি হায়না ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অন্সম)না তকশিল্লক্লি। লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মে ২৪ দা অন্সমগী হান্নগী লূচিংবশিংগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অমসুং ‘সূ’ খূৎয়েক পীনদুনা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈলোন বাইফৈ ভিল্লেজতগী লিয়াংমৈ নাগা ১৮ ফাজিনখিবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন–নৈনখি। হৌজিক ফাওবা পাষ্টর ২ য়াওনা লিয়াংমাই নাগা ৬কী লৈফম পুথোকপা ঙমদবা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌওংবু লূপ অসিনা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদ্দবা ফোঙদোরক্লি। মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসিদগী পারগা নুমিৎ ৪ নিগী মনুংদা নাগা মীচম ৬ থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎহনগদবনি। করিগুম্বা মতম অসিগী ফাওবগী মনুংদা মীচম ৬ থাদোকহনবা ঙমদ্রবদি নাগাশিংনা মণিপুর লৈঙাক বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই। লৈঙাক শৌগৎপদা য়াওরিবা নাগা এম এল এশিংসু ফুরুপ অসিগী ইন্টরেষ্টতা লৈঙাক শৌগৎপা তোকহনবা য়াই হায়রি।

## শাশিন্নবা সনা কমদৌনা খঙদোক্কদগে হায়বা খঙমিন্নবা মথৌ তারক্লে

**ইম্ফাল, মে ২৯( ৱায়েল কাতি)ঃ** হন্দক মরক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মশিং য়াল্লবা শাশিন্নবা ফাবগী থৌদোক থোরকপা মরমনা মীপূম খূদিংমক্না মতৌ করম্না শাশিন্নবা সনা খঙদোক্কদগে হায়বদু খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে।





রিপোর্ট অমনা হায়, অশেংবা সনাদা ১৪ কে নৎত্রগনা ৭৫০ হায়বনচিংবা হোলমার্ক য়াওগনি। য়োৎচাবী অমা পায়রগা চেক তৌবদা নপ্পকপা থোক্লবদি শাশিন্নবা সনানি হায়বা খঙগদবনি। অতোপ্পা অমনা ঈশিংদা থাদরগা য়েংবগী মতাংদনি। অশেংবা সনাদি ঈশিংদা লূপ্পী। অদুগা শাশিন্নবা সনাদি তাউখৎলগা লৈ। এসিদ টেষ্টকী মতেংনসু অশেংবা সনা ইরাই লাইনা খঙদোকপা ঙম্মী। নাইত্রিক এসিদ দ্রোপ খরা থাদবা মতমদা অশেংবা সনাদদি করিগুম্বা মখলগী অহোংবা অমত্তা লাক্লোই।

মতৌ অসুম্না চাং য়েংলগা অশেংবা সনানা করম্বনো, শাশিন্নবা সনানা করম্বনো হায়বদু ইরাই লাইনা খঙদোকপা ঙম্মী হায়রি।

মে ২৭ তা কামরূপ দিষ্ট্রিক্টকী ভেটোমুখতা চথখিবা ওপরেসন অমদা শাশিন্নবা সনা কেজি ৬ রোম ফাগৎপা ঙমখি। মোষ্টাকিন এলাইজ রাখিকুল ইস্লাম কৌবা মীওই অমা শাশিন্নবা সনা অদুগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফাগৎলবা শাশিন্নবা সনা অদু কেজি ৫.৯৭০ রোম লূপ্মী হায়রি। মীওই অদুদগী পুলিসনা শেল ওইনা লূপা ৮৪,০০০ অমদি মোবাইল ফোন অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

অসামদা হান্নসু শাশিন্নবা সনা ফাবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮দা কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী রঙ্গিয়া পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফম অমদা মীওই ৩ শাশিন্নবা সনাগী বিস্কিট কেজি ১.৪গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। মতুং তারকপদা তামুলপুর দিষ্ট্রিক্ট তম্না থৌরকপা গাড়ী অমা খাল্লগা চেক তৌবদা পুলিসনা শাশিন্নবা সনাগী বিস্কিট কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখি। গাড়ী অদুদা গ্রাম ১০ লূম্বা সনাগী বিস্কিট ৯০ অমসুং গ্রাম ৫ লূম্বা সনাগী বিস্কিট ১০০ য়াওরম্বা থেংনখি।

শকরপ্রতি সমবাজি নগরদসু লোকেল ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মীওই ৩ লূপা লাক্ষ ৫.০৩ রোমগী ওইগদবা শাশিন্নবা সনাগী পোৎলম অমা ফাগৎপা ঙমখি। পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ফারবা মীওই ৩ অদুনা নমথাক তৌরগা মীওই খরদা শাশিন্নবা সনাগী বিস্কিটশিং অদু য়োন্নবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা পুলিসনা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী আউশা–লাতুর লম্বীগী বসন্তগাউনপতি মনাক্তা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা শাশিন্নবা সনাগী বিস্কিট কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। লূপা লাক্ষ ৩.৩ রোমগী ওইগদবা সনাগী পোৎলম, শাশিন্নবা সনাগী বিস্কিট অমদি শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ১.৭সু ফাগৎপা ঙমখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীপূম খূদিংমক্না অশেংবা সনা অমসুং শাশিন্নবা সনাগী খেন্নবা চপ চানা খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে।

## আই দি পিশিং ময়ূমদা হঞ্জিনহন্দ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকহন্দনবা পিপলস কনভেন্সন্না ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৯(ৱায়েল কাতি)ঃ** কুমজা ২০২৩ গী মে ৩দগী থোরকখিবা ঈরাংনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা আই দি পিশিং মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনহন্দুনা হান্নগী মতৌগুম নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্দ্রিবা ফাওবা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসনন্না পাঙথোকপা পিপলস কনভেন্সনন্না ৱারেপ লৌখ্রে।

কনভেন্সনন্না লৌখিবা অতৈ অতোপ্পা মরু ওইবা ৱারেপশিংদি মণিপুরদগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং তকথোকখিনবা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবমখৈ ওগষ্ট ১৬ তগী হৌগদৌরিবা হাউজিং সেন্সস অমদি মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১দগী পাঙথোক্কনি হায়রিবা পোপুলেসন ইন্যুমরেসনগী থবক পাঙথোকপা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙজংশিং থৌশাদবগা লোয়ননা নমদুনা সেন্সস পাঙথোক্লুবা থৌরাং লৌখৎলক্লুবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লুবগী পাউজেল পীবা ওইনা থোক্কনি। য়েলহৌমীশিংগী তুংলমচৎ কঞ্জনবগীদমক মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা হৌজিক পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা সেন্সস ফাওবা বোইকোট তৌবগী ফিরেপ লৌরকপা য়াই। এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা ঙসিগী কনভেন্সনদা ৱাঙাংলোইশিংনা থন্বীরম্বা খোঙজংগী মওংশিং মতম মতমগী মতুং ইন্না মীয়ামগা তান্নরগা চঙশিনমিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি। জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বা অমদি থবক্তগী পোথারবা প্রোঃ দব্লিউ নবকুমারনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা পিপলস কনভেন্সনন্না লৌবা ৱারেপশিং মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লুবা হোৎনবদা মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়রি।

# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফাল, ইঙাগী ১৩ নি পানবা, ইরাই, মে ২৯,২০২৬ ইং

## রাজ্য সভাগী ইলেক্সন
### হোই লাউবখক ওইগদবা মীহুৎ ওইরগদি থাবীগনু

মীশিং য়ামদবা ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরগীদি শুপ্লতংগী এম পি ৩ খক লৈ। এম পিগী সিট অহুম অসিগী মনুংদা অনী অমনা লোক সভা (লৱার হাউস)কীনি। অদুগা অমখক অদুনা রাজ্য সভা (অপ্পর হাউস)কীনি। লোক সভাগী এম পি অনী অসিদি দাইরেক্ট ইলেক্সন তৌরগা হায়বদি মীয়াম্না ভোট থাদনরগা খনবনি। সিট অমনা রিজার্বনি। অদুগা অতোপ্পা সিট অমনা জেনরেলনি। মসিমক্তা তাক্লিবদি মণিপুরগী লোক সভাগী এমপি অনি অসিগী মনুংদা অমদি শুংশোয় শোয়দনা ত্রাইবেলশিংগী ওইগনি। করিগুম্বা মতমদা জেনরেলগী সিট ওইবনিনা ত্রাইবেলনা অনীমক ফংখিবগী ওইথোকপসু লৈ। অদুগা রাজ্য সভাগী এমপি অমগী মীখল অসিদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মেম্বর ওইরিবা এম এল এ ৬০ না ভোট থাদরগা খনগদবনি। অদুবু হন্দক্কী ওইনদি তদুবী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ এন কাইসি অমসুং থানলোন এসিগী এম এল এ ভুংজাগিন ভালতেদি মশা লৈখিদবনা মরম ওইরগা ওইরগা এম এল এ ৫৮ খক্তনা ভোট থাদরগনি। চহী ৬কী টার্মগী মতম লোইরদুনা রাজ্য সভাগী সিট ২৪ গী ইলেক্সন লাক্লিবা জুন ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরি। মীখল অসি ষ্টেট ১০দা পাঙথোক্কনি, মসিগীদমক্তা মীখলগী নোটিফিকেসন জুন ১ দা থোক্কগনি, মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা জুন ৮ নি। মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি জুন ৯দা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা জুন ১১ নি। জুন ১৮দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসি হেক লোইবগা ভোট মশিং ৎথগনি হায়বদি নুমিৎসিমক্তদা এমপি কনানা ওইগনি হায়বা খঙলগনি। মণিপুরগীদি এমপি মশিং য়াম্না লৈতবনিনা লৈবাক্কী ওইবা পোলিটিকেল দিসিজন অমা লৌরকপদা ময়োল লমদা লৈরিবা কাঙবুনা কয়া থানদে। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিসিয়ানশিং অসিনা নেস্নেল লেবেলদা পোলিটিক্স তৌবগী ৱাখল্লোন লৈনদে, অসিগুম্বা মওং মতৌ অসি য়েংলুরগদি মণিপুর মচা অমনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রসিদেন্ট লাক্লিবা চহী ১০০ অসিগী মনুংদা ওইগনি হায়বগী থাজবা অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক বি জে পিগী মতমদা মতমদুগী লোক সভাগী এম পি টিঐচ চাউবা, আর কে রঞ্জন য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখি। মদুগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা আর কে জোয়চন্দ্রসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখি। মখোয় অনীনা নেস্লেডল্ল লেবেলদা মিনিষ্টর ওইজরগসু য়াম্না মরু ওইবা পোর্টফোলিও পায়খিদে অমসুং মণিপুরগী ওইবা মফমদা মশক থোকপা ৱারেপ অমত্তা লৌখিবগী রেকোর্দ থেংনদে। নেস্নেল লেবেলদা পোলিটিক্স তৌবগী থাক য়াম্না নেম্বনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী ৱাফম অমা খন্নরকপদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা থোইনা লূম্না লৌদে। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা শাগ্খিরবা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্তুনা মীশি মীনা কয়ামরুম নংলবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নাথৈরিবসে ঐখোয়না ঐখোয়গী পোলিটিক্স তৌবশিং শোনবদগীনি। থৌদোক অসি গুজরাটতা, রাজস্থানদা তৌবা ওইরম্লগদি প্রাইম মিনিষ্টর ফম্লগা লৈতনা লৈরিবসি ঙম্লম্লোই। অসিগুম্বা অশোনবা অহোবা ময়াম অসে মণিপুর মচা ঐখোয়না খঙগদবনি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লৈরিবা মেম্বরশিং অমসুং পার্টিগী পোজিসনশিং অসি য়েংলুরগদি মীখল অসিদা বি জে পিনা পুথোকপা মীরেপ্পা মায় পাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরমদি ওপোজিসন ওইরিবা ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকীদি ভোট ৫ খক্তনি। অদুগা অতৈ এম এল এশিংদি লৈঙাক পায়বদা য়াওবা অমসুং শৌগৎপা ঙাক্তক্সনি। লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এন পি পি অমসুং এন পি এফতি রাজ্য সভাগী মীখল অসিদা মীরেপ পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মসিগীসু মথক্তা এম এল এ ৫ খক লৈবা কোংগ্রেসনা রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইনবা কেন্দিদেট পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে । মমাঙগী রাজ্য সভাগী মীখলদা ক্রোস ভোটিং তৌনদুনা বি জে পিগী মীরেপ মায়থীরমগদবা খজিক্তং ঙাইখি। মতমদুদদি বি জে পি মনুংদা ক্রোস ভোট তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখি অমসুং এন পি পিনা সপ্পোর্ট ৱিদ্রো তৌখিবনা কোংগ্রেসনা মীরেপ পুথোরকখিবনি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলসু থা ৮ রোমতমক ঙাইশিল্লকপা মতম অসিদা মিনিষ্টর পীরক্তুগদি ফংগনি হায়না পান্নরিবা বি জে পি এম এল এ কয়া অমা ক্রোস ভোট পীখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরকপনা সেন্টরনা মণিপুর লৈঙাক্কী এক্সপান্সন অসি থেংথহল্লগা থল্লিবনি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি বি জে পিদসু ক্রোস ভোট তৌগনি হায়বগী থাজবা অমত্তা লৈতে। লান মরক্তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনিনা কুকিগী এম এল এ ১০ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ভোট থাদবা লাক্নবগী মরম অমত্তা লৈতে। মখোয়গী য়েংলগা গুৱাহাতি, কোলকাতা নৎত্রগা দিল্লিদা অখন্নবা পোল্লিং বুথ অমা হাংদোরকপা য়াই হায়না লৌনরি। হৌজিক্তি নাকপাক ৩ থোক্লা কায়রগা লৈজরবসু মীখল অসিদা বি জে পিনা শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি। হৌজিক বি জে পিগী ওইনা মীরেপ ওইরকপা য়াই হায়না পান্নরিবসি অমনা হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমসুং বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ূম সর্দানি। মখোয় অনীসু এম এল এশিংগী মরক্তা য়ান্নদবা য়াওরগদি হেক্তা টিকেট পীবা য়ারোইদৌরিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি বি জে পিগী নেস্নেল লিদরশিংনা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি অসি মশিং ওইনা পাম্মী। মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা এম পি অমগী তঙাইফদবা লৈবগীদমক পাম্বা নত্তে। অদুবু মণিপুরী মচাশিংনদি লুরবা তানফম অসিদা পার্লিয়ামেন্টকী মনুং অমসুং মপান্দা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা সেন্টরনা লৌরিবা থৌদাং অসি পেন্নিংঙাই ওইদবগী ৱা ঙাংবা ঙম্বা অমা মথৌ তাই। মশিং য়ামজদবা ঐখোয়গীদি এম পি অমখক্তমক ঙাইরবা সিট অসি হোই লাউনবা থাগুমসি। মতিং থোক্লা মীয়ামগী অৱাবসি কোকহনবা ঙমগদবা লম্বী থিবা ঙম্বা, মশক নাইবা পোলিটিকেল লিদরশিংগা নিংথিনা ৱারী শান্নবা ঙম্বা, ইন্দিয়াগী পোলিসি শেম্বা য়াওবা ঙম্বা মীওই থাগৎসি।




# ইমা ! ঐনা নঙবু নুংশি

ঙসি পীক্লবসু অমা ওইনা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া হায়রিবা লৈবাক অনী অসি চাওখৎপগী থাক্তদি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরক্কে। মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দম ফংননবগী মরমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পলেম পহৌগা চপ মান্নবা খনবা ঙম্বা মমা লৈবাকপু নুংশিবা অমনি নিংবদগী ওইখিবনি হায়বা অসিদা থোইদোক্লা হেঞ্জিন্না হায়বা ওইরোই খঞ্জে। লৈবাক অসি চাওখৎলক্লিবা অমনি হায়বসিসু পুন্নমক্লা খঙনবা ৱাফমনি। কোরিয়াগী মীয়াম্না মমা লৈবাকপু কদায় ফাওবা থম্মোয়না খম থেংনা নুংশিবগে অসিগীসু খুদম চাংদম পীবদা অৱাৎপা লৈতে। য়ুমগী টিভিদা খ্বাইদগী পামজবা চেনেল অমা রিমোট কন্ট্রোল অদুনা নম নমদুনা মথং মথং থীরকপদা অরিরাং চেন্নেল য়ৌরকপা মতমদা হাইফেৎ উখিবা সিন অমদা মখা তানা য়েংনিংবগী ইহুল অমা থম্মোয়দা ফাওরকই। হৌবদগী উহৌদবনা ফিল্ম নত্রগা সেরিয়েল ওইৱা হায়বা ঙমজদ্রে। শান্নরিবা ৱারীশিং কোরিয়া লোনদগী ইংলিসতা হন্দোকপা মরম্না শিন অদুদা য়াওরিবা অঙাংশিং অদু চহী ১৬-১৭ কী ওইগদবা অদু ঈশিং লাম্মী ওইনবা ত্রেনিং চৎকদৌরিবনি হায়বসিমদি খঙলে। মমা মপা অমসুং নুপামচাশিং য়াম্না থাজদনা মীনুংশিগী মায়থোং উৎথোক্তুনা নুংশি চান্নবা সি সোর অদুদা ৱারী ৱাতাই শান্নরম্মী। খায়নবগী মতম য়ৌরে খঙহল্লকপদগী মমা মপাশিংদগী খরা চখোরপ তৌনা মখোয় নুপামচাশিং ইকোয় কোয়না পুন্না মথ্বায় নুংঙাইতনা লেপ্তুনা লৈ। ওফিসিয়েল অমনা জহাজ অমদা খুদোম্বী থিন্দুনা কাখৎনবা হায়রকপদগী হেক থংনবা মীকুপ্তা ইখঙ খঙহৌদনা য়াম্না থাজদনা ‘ইমা ঐনা নঙবু নুংশি’ অমত্তা ওইবা খোঞ্জেলনা মমা মপাশিংনা লেপ্লিবা মায়কৈ অদোমদা ওনশিল্লগা খুরুম্বগী মওংদা নোহ্নরপ তৌনা কন্না লাউরকই। নুপামচাশিং অদুনা তৌরিবা থৌওং অদু মরী লৈনবশিংনা অদুমক তৌননবা তাকপী তম্বীরমগদৌবা মান্দে। তশেংনা মমা, মপা লৈবাকপু নুংশিবগী থম্মোয়না মদুবু উরুবগী ৱাফম খক্তনি হায়বসি চেৎনা থাজজবনি। অশাংবা, অতেনবা, অয়াংবা , অরুম্বা ওনবদৌনা চাং লেপ্পা ওইরম্লোইদৌবা মখোয়না মমা লৈবাকপু নুংশিরমগদৌবা অদু খল্লুবদা থম্মোয়দা অপেনবা অমা ফাওখি। মতম চহী খরা পলেম পহৌ কায়নরগনি খঙদুনা শিহ্নরিবা পীরাং অদু মমা লৈবাক্কীদমক্তনি থম্মোয়দা ফাওরকপগী মমি মায়থোংদা উরকপা শক্তম ঐগী ইমা লৈবাক অসিদদি উবা ফংদ্রবসু মীগী লমদদি উবা ফংলে। পুন্সি অমগী অপাম্বা অনিংবা কল্লকপা মিহৌবা ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে খল্লিবা মশিং থিঙমদা ময়াম মরক্তা কুইনা অসিগুম্বা পলেম পহৌ মমা লৈবাকপু নুংশিবগী মায়থোং উজগে কনাগুম্বনা থিরকপদু নুমিৎ অদুদা উবা ফংখ্রবনিনা শিরবসু খুয়া তুশিৎনা শিবা য়ারে, মহাক অদুনা খল্লমগনি। তাইবঙদা মীওইবা খুদিংনা অপোকপী পলেম মমা লৈবাক খক্তবু অকোয়বগী লৈরিবা পুন্নমক্তগী হেন্না লুনা নুংশিনা তৌরিবগী মরম করি লৈরিদগে? মসিগী নুংগী ৱাহম্বোক্তিং অহল লমন্না তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না মহৌশা লাইরেম্বী খক্তনা হায়বীবা তাকপীবা ঙমগনি। অখঙ অহৈবনসু তাকপা হায়না য়াথং ইল্লগদি তারগদি শোয়দনা অফবা চাওখৎপা ওইবা হৌনশানি। ঙসি মালেম অসিদা চাওখৎলক্লিবা পঞ্জখ্রিবা লৈবাক কোরিয়া খুদিং য়াওনা মখোয়গী মীয়ামশিং অদুনা মমা লৈবাকপু নিংজবা পলেম পহৌবু শোঞ্জবা মথক থোংবশিংবু তাইবঙ অমা ওইনা ইকাই খুম্নবা মখা থাবশিংবু মীনুংশিগা লোয়নন‍া মরম ময়াম অসিনা অমত্তা ওইনা ৱাখলদা লৌশিংদা তুঙদুনা লৈবদগী অফবা ওইরক্তুনা থবক্তা ওহ্হোরক্লবা মতমদা চাওখৎপগী থাক কারকপা ঙম্লিবনি। পলেম মমাবু মতম খুদিং শোঞ্জরিবা হক্লা মমা লৈবাকপু নীংজরিবা মীওইবা পুন্সিদা মিংচৎ ফংখিবা ঙাক্তনি। মীয়াম অমনা মমা লৈবাকপু থম্মোয়দা অমকপা অমত্তা লৈতনা নীংজরিবা চাওখৎপা ওইবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা পাবীরিবশিংদা মথক্তা থমজখ্রিবা কোরিয়াগী নুপামচাশিং অফবা ওইরোইদবগী মরম করিদবু লৈগদগে? শিহ্নখ্রিবা পীরাংশিং অদুনা চেনবা য়াররোইদবা খুদমনি। অদুগুম্বা অসিগুম্বা অঙাংশিং অসিনা লৈবাক্কী য়ুম্বী ওইনা শুরোল ওইনা লৈরগদবু কোরিয়া লৈবাক অমুক্তা হেন্না চাওখৎলোইদবগী মরম লৈতে। মমা, মপা , মমা লৈবাকপু শোঞ্জবা নিংজবা লৈবাকমচা তাবা মপারি মমোমশিংনি। মসি লৈতেংনা ফংজবদা নিংথিহনবগুম্বনি। পলেম পহৌ মমা লৈবাকপু নুংশিবা লৈবাক মচা তাই হায়বদা উৎথোরক্লিবা মওং মতৌ উরু খঙলুবদা কোরিয়া মচাশিং অদু ওহ্হোক্লসু পকচৈদা। মমা লৈবাক্লা মপারি মমোমশিংনি হায়বদা লেমনিংঙাই ওই।

মথক্তা পনখ্রিবা লৈবাক অমগী মপারি মমোমশিং অসিগা ইরমদম ইমা লৈবাক্কী মপারী মমোমশিংগা চাংদম্নবদা খজিক নত্তনা থোইদোক হেন্দোক্লা খেন্নবগুম তৌরি। মখোয়গী মমা লৈবাক ঐখোয়গী ইমা লৈবাক মালেম ইমাগী তম্পাক্তা লৈবনিনা খেন্নবদি লৈফম থোক্তবনি। মখোয়গীনা করিদা চুল্লিবা ঐখোয়গীনা করিদা লাল্লিবা পুন্নমক্লা পুক্লিং চিংশিনফম থোকই। ঙসি পুন্নমক খুদিংনা খঙবা উবা ঙাক্তনি। লমদম অসিগী মপারী মমোমশিং মীয়াম ঐখোয় ইমা লৈবাক অসিবু নুংশিবগী ইহুল ইরিক অমত্তা থম্মোয়দা চেন্দ্রি হায়বদা কনাগী থম্মোয়নবু য়ানিংলোইদবা লৈবগে? ইমা লৈবাক অসিদা য়েংলগা ঐখোয়না খল্লিবা ৱাখল, য়েংলিবা মীৎয়েং, চৎলিবা লাইনিং লীচৎ পুন্নমক্লা খঙনা উনা কনাগুম্বনা ইমা লৈবাক অসিবু নুংশি লাউবা হায়বা ঙাংবা য়াওরগদি মহাক অদু লৈবাক অসিবু মালেম ইমাগী তম্পাক্তগী মতম পুম্বগী ওইনা মাঙখ্রসনু থৌরাংলিবা মীয়াম ঐখোয়নি। শারাক তম্লগদৌরিবা মহাক্কীদমক পীরাং শিহ্নরিবা ইমা লৈবাক্কী পারী মমোমশিং গুমভিরগুম্বা ঐখোয়নি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমা লৈবাক অসিবু নুংশিরিবনি তৌরিবসিবু মীৎকুপ খরগী মনুংদা লাক্তুনা হাইহৎলগা চাগদৌরিবা নুংঙাইবগী শিহ্নরিবা পি গুমভিরগী পীরাং অনীগী খেন্নবা করিদবু লৈরিগদগে? পিগী পি অমত্তনি। কোরিয়া মচাশিংগী পীনা লৈবাক কন্নবগী পীরাংনি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীয়াম্না শিহ্নবা পীনা লৈবাক মাঙহন্নবগী নুংঙাইবগী পীরাংনি। ৱাখল্লোন, থম্মোয় পুক্লিংগী খেন্নবদি পীক্লবা তোর্ব্বান অনীগী ঈচেল অমসুং ঙমখৈ লৈতা পাক্ল-ইপাক্লি। ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইমুং অমগী মপারি মমোমশিংনা চৎলিবা লীচৎ, লমচৎ,ৱাঙাং মথক থোংবশিংদা উৎলিবা মওংগী থকসি খাসি অসিনা পলেম পহৌগী ইমা লৈবাক্কী মরু ওইনা পীরাং শিহ্নবা ওইথোক্কদ্রনে? করিগুম্বা শিহ্নরক্লবসু মদু অরেম্বা কান্নরোইদবা চন্নররোইদবা পীরাংনি। লশিং পাম্বী হৌরক্কনি হুনখিবা মরুনা মুকাকলৈ ওইনা হৌরকপা শেৎন-ইন্নবা ফি পুথোকপা ঙমখিগদ্রনে? সিগুম্বা মপারী মমোমশিং ইমুং লৈকায় খুঙ্গং লৈবাক্কী মীয়াম ওইরক্লগদবু ওইরক্লবদা ঙসিগী ইমা লৈবাক অসিগী ফিভম ওইরিবনি চিংননিংঙাই করিসু লৈত্রবনি। অমবু ওইরো হৌখিবগী অশোয়বা মতমগী ঈচেলদা লুপখ্রবসু মতমগী খোঙলৈনা য়াওখ্রসনু। হৌখিবগী কাওথোক্লগা ঙসিগী অমদি তুংগীদমক থম্মোয় শেংনা চুন্না পলেম পহৌ ইমা লৈবাক্কীদমক য়াইফনবা পীরাংগা লোয়ননা খুরুম্লসি। ‘মালেম্না য়াইফরে, পোক্লফম লমদম ইমানা মহেল্লি’।

-বিদ্যরাণি লৈমা (গঙ্গা)

**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY**
**SECRETARIAT**


**NOTIFICATION**
*Imphal, the 27th May, 2026.*

*No.01/02(05)/2026-LA(E):* In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 22/05/2026, it is informed to all the intending candidates for direct recruitment to the post of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the new dates for issue of forms and submission of forms are hereby listed in the table below during office hours:

| Particulars | Dates notified earlier | Revised dates |
|---|---|---|
| *Issue of forms* | *27/05/2026 to 30/05/2026* | *29/05/2026, 01/06/2026, 02/06/2026 and 03/06/2026* |
| *Submission of forms* | *01/06/2026 to 03/06/2026* | *08/06/2026, 09/06/2026 and 10/06/2026* |

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Addl. Secretary, (Admn.),
Manipur Legislative Assembly.










Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733